BMPLA-135

# B.A.GENERAL

# (BAG)

# ASSIGNMENT

## (For July 2023 & January 2024 Sessions)

## Modern Indian Language – Manipuri

## (BMPLA -135)

**School of Humanities**
**Indira Gandhi National Open University**
**Maidan Garhi, New Delhi – 110 068**

# Assignment: Modern Indian Language – Manipuri (BMPLA-135)

**Programme: BAG**
**Course Code: BMPLA-135**

Dear Student

You are required to do one assignment for Modern Indian Language – Manipuri (BMPLA-135) course of BAG Programme. This is a Tutor Marked Assignment (TMA) and carries 100 marks. This assignment covers the entire course of Modern Indian Language – Manipuri.

**Aims:** This TMA is concerned mainly with assessing your application and understanding of the course material. You are not required to reproduce chunks of information from the course material but to use the skills of critical appreciation that you may have acquired during the course of study. This assignment aims to teach as well as to assess your performance. Please carefully go through the course material. Do make points as you go along. Once you are able to do the assignment satisfactorily, you will be ready to take the exam with confidence.

**Instructions**:

1. The first page of your response sheet should look like this:

---

Enrolment no: ……………………..…………….
Name: ……..……………………………..
Address: ….…………………………….
……..…………………………….
Programme Title and code: …………………………………….
Course Title and Code: …………………………………….

Study centre: ……………………………………
Date: …………………………………….

---

2. Use only foolscap size paper for your response and tag all the pages carefully
3. Write the relevant question number with each answer.
4. You should write in your own handwriting.

5. **Submission:** Completed assignment should be submitted at the Study Centre or submitted as pdf file at the link given on the Regional Centre website. One single file for each assignment should be submitted. **Please remember to keep a copy of your completed assignment.**

Now read the following guidelines carefully before answering questions.

## GUIDELINES FOR TMAs

You will find it useful to keep the following points in mind:

1. **Planning:** Read the questions carefully. Go through the units on which they are based. Make some points regarding each question and then rearrange these in a logical order. And please write the answers in your own words. Do not reproduce passages from the units.

2. **Organisation:** Be a little more selective and analytic before drawing up a rough outline of your answer. In an essay-type question, give adequate attention to your introductionand conclusion. The introduction must offer your brief interpretation of the question and how you propose to develop it. The conclusion must summarise your response to the question.

**Make sure that your answer:**

(a) is logical and coherent;
(b) has clear connections between sentences and paragraphs;
(c) is written correctly giving adequate consideration to your expression, style and presentation;
(d) does not exceed the number of words indicated in your question.

3. **Presentation:** Once you are satisfied with your answers, you can write down the final version for submission, writing each answer neatly and underline the points you wishto emphasize.

**Note: Remember the submission of assignment is a precondition for appearing in the examination. If you do not submit the assignment on time, you will not be allowed to appear in the examination.**

| | | | |
|---|---|---|---|
| **Last date for submission:** | For July 2023 session | - | 31st March 2024 |
| | For January 2024 session | - | 30th Sept 2024 |

**Good luck with your work!**

# Assignment: Modern Indian Language – Manipuri
# (BMPLA-135)

**Programme Code: BAG**
**Course Code: BMPLA-135**
**Assignment Code: BMPLA-135 /TMA/2023-2024**
**Max. Marks: 100**

**ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম পীগদবনি ।**

## সেক্সন-A

**১। মখাগী ৱারোল অসি মুন্না পারগা হংলিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম পীয়ু।**

ময়েক হায়বসি লোন্দুগী খোন্থোকশিংদুবু মহুৎশিনবা শক্তমদা ইথোরকপা নৎত্রগা য়েকথোক্লকপগী মওং অদুবুনি। মীতৈলোন অসিমক তিবেতো-বর্মন লোন শাগৈগী মনুং চনবা মশাগী ময়েক লৈজবা লোননি। মীতৈলোনগী মশাগী ওইবা ময়েকপু মীতৈ ময়েক হায়রগা খঙনৈ। ময়েক অসি করম্বা মতমদগী লৈরকখিবগে হায়বগী মতাংদদি চপ চানা হায়বা ঙমদ্রি। অদুবু মণিপুরদা ফংলিবা অরিবা নুঙ, ধাতু অমদি কোরি কোম্পাক্তা হক্লম্বা ময়েকশিংগী খোঙ্গুল লীরুবা মতমদা খোইবুদা য়ুংলিবা মীতৈ ময়েক ইবা নুঙ অসিদা মৈদিংঙু কিয়াম্বগী (খৃ:১৮৬৭-১৫০৮) সনা য়াথং হায়না ইরি। ফয়েংদগী ফংখিবা মৈদিংঙু খোঙতেকচাগী (খৃ:৭৬৩-৭৭৩) মতমগী কোরি কোম্পাক্তসু মীতৈ ময়েক্লা ইবা থেংনরি। অদুগা অরিবা খূৎই লাইরিক *পোইরৈতোন খুন্থোক* অসিসু খৃষ্টগী চহী ৩০০গী অদুৱাইদা ইরম্বনি হায়না লৌনরি। মসিনা মীতৈ ময়েক অসি ঙল্লিঙৈ মতমদগী লৈরম্বা য়াবগী থাজবা লৈরি। অদুগা অঙনবা মতমগী মণিপুরী সাহিত্যগী পোথোকশিং ইথোক্তুনা পুথরকখিবসিসু ময়েক অসিদনি। অদুবু চহীচা তরানিপানগী মতমদা মতমদুগী নিংথৌ গরিবনিৱাজ মহারাজনা রমান্দি লাইনিং লৌখিবদগী লৈবাক মীয়ামসু লাইনিং অসিবু লৌহন্নবা হোৎনবদা শান্তদাস গোসাইগী থৌইনশিন্দগী মীতৈগী ইপা ইপুশিংনা থম্বিরম্বা অরিবা খূৎই লাইরিকশিং খোমগৎতুনা কংলা উত্রা মমাঙদা মৈ থাদুনা মাঙহনখি। মসিনা মীতৈ ময়েকপু শিথরক্লবা য়ুমফম থোনখি। মসিদগী অনৌবা লাইনিংগা ঈরোয়নরকপা সংস্কৃত লোনগী অকনবা চৈথেং ফংবতা নত্তনা অনৌবা লাইনিং অসিগা মরী লৈনবা লাইরিকশিং পাবা ঙম্নবা বাংলা লোন অমদি ময়েক তম্নরকখিবগা লোয়ননা মীতৈ ময়েক অসি তপ্না তপ্না শিথরকখি। মসিগী মতুং বৃটিশনা মণিপুর লৌশিনখ্রবা মতুং অনৌবা মহৈ মশিং তম্বগী চৎনবী লাকখিবগা লোয়ননা বাংলা ময়েক্লা মীতৈ ময়েক্কী মহুৎ শিনখি। অদুগা ছাপাখানা লিংদুনা অনম্বা লাইরিক পুথোরকপা মতমদসু নম্নবা ময়েক হায়বদি ব্রোক শাবগী খুদোংচাবা লৈতবনা বাংলা ময়েক্লা মীতৈ ময়েক্কী মহুৎ শিনখি।

মতম খরা মিরাইরুরবা মতুং ১৯৩০ দা নাউরিয়া ফুলোনা কাছারদা 'অপোকপা মরুপ' কৌবা লুপ অমা লিংখৎতুনা মীতৈগী কলচরবু য়োকখৎনবা হোৎনবগা লোয়ননা মীতৈ ময়েকসু হিঙ্গৎহন্নবা হোৎনরকখি। অদুগা ১৯৮৯ দা থম্বালখোংদা 'মীতৈ মরুপ' কৌবা কম্মিটি অমা শেমদুনা মীতৈ ময়েক তম্বিবা হৌখি। মসিদসু নত্তনা ১৯৫৮ দা 'ময়েক লুপতিন কম্মিটি' শেমদুনা ময়েক অসিগী মতাংদা খন্ন-নৈনবা হৌখি। অদুগা ১৯৭৮ দা মণিপুর সরকারগী মীহুৎ য়াওনা এক্সার্ট কম্মিটি অমা শেমখিবগা লোয়ননা কম্মিটি অসিনা কুপ্না খন্নরবা মতুং ১৯৮০ গী এপ্রিল ২২ দা মণিপুর সরকারগী গেজেৎ নোতিফিকেসন থোক্তুনা মীতৈ ময়েক অসি চৎনবগী অয়াবা পীখি। গেজেত্তা ফোঙলবা মীতৈ ময়েক্কী মনুংদা মপী ময়েক ২৯, লোনসুম ময়েক ৮, খুদম ময়েক ৩, চৈশিং ময়েক তরা য়াওরি। মসিগী মতুং ২০০৬ তগী স্কুল ইড্যুকেসন্দা হাপ্তুনা মীতৈ ময়েক্না বাংলা ময়েক্কী মহুৎ শিন্দুনা তম্বা হৌখিবদগী হৌজিক্তি ময়েকসিদা এম.এ., পিএচ. দি. গী থাক য়ৌরক্তুনা চাওখৎলকখি।

ক) ময়েক হায়বসি করিনো ? ১

খ) মীতৈ ময়েক অসি ঙল্লিঙৈ মতমদগী লৈরম্বা য়াবগী থাজবা য়াবা করি করি প্রমান লৈবগে ? ২

গ) য়েক্লৌঙৈদগী শিজিন্নরক্লবা মীতৈ ময়েক্না শিথরুবগী মরুওইবা মরমশিংদু করি করিনো ? ৩

ঘ) মতৌ করম্না শিথরুরবা মীতৈ ময়েক্না চাওখৎলকখিবগে ? ৩

ঙ) মথক্কী ৱারেং অসিগী চান্নবা মমিং পীয়ু। ১

**২। মখাগী ৱাহৈশিং অসি হাপ্তুনা মপুংফাবা ৱাহৈপরেং শেম্মু।** **২ x ৫=১০**

ক) তিবেতো বর্মন

খ) শান্তদাস গোসাই

গ) গেজেৎ

ঘ) সংস্কৃত

খ) রমান্দি

**সেক্সন-B**

**১। মখাগী ৱাহংশিং অসি ৱাহৈপরেং অমমমদা পাউখুম পীয়ু।** **১ x ১০=১০**

ক) মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাস অসি তাঙ্কক কয়া থোক্না খায়দোকপগে ?

খ) ময়িম কেগে মোইরাং মায়কৈদা য়াকৈবদা খোঙবা উচেক অদু করিনো ?

গ) মোইরাং খুনপীলোক্তা লোৎতুনা লৈখ্রবা নুমিৎ সনা খোমমাতোনবু কনানা কৌথোকপদগী থোরকখিবগে ?

ঘ) কনাগী মফমদগী নাউথিংখোংনা মহৈ মশিং তমখিবগে ?

ঙ) গরিবনিৱাজ মহারাজনা ঔৱাদা লান্দাদুনা সমসোকপু জয় তৌরুরগা মীতৈ লৈবাক্তা হল্লক্লুবা মতুং ঔৱাশিংনা লান্দারকপদগী অমুকহন্না ঔৱাশিংগা মীতৈগা লান শোক্লুখিবা মফম অদু কদাইদনো ?

জ) মতম কুইনা মপারি ফংলক্তুবা দশরথ নিংথৌনা করি তৌরগা মপারি মরি ফংজখিবগে ?

ঝ) ধনঞ্জয় লাইবু নীংবনা মাগী কায়নখ্রবা নুপী অমদি মচাশিংগা মফম কদাইদা থেংনখিবগে ?

চ) ভাগ্যচন্দ্র মহারাজনা জগোয় রাস মখল কয়া হৌদোক্লম্বগে ?

ছ) "ইতা থাউমৈগী ৱারী" অসি করম্বা মখলগী ফুঙ্গাৱারীনো ?

ঞ) মণিপুরদা ফংবা থাজৱারীশিং অসি মখল কয়া থোক্লা খায়দোকপগে ?

**২। মখাগী ৱাহংশিং অসি ৱাহৈপরেং অমমমদা পাউখুম পীয়ু।** **১ x ১০=১০**

ক) খম্বনা শেনখিবা ষণ্দু মমিং করি কৌবগে ?

খ) "খুনগী পোম্বীগী ৱাৎত্রবা পুক্কৈনি।
অয়াম্বা চিঞ্জাক্লা থল্লবা।"

শৈরেং মতেক অসিদা কবিনা "খুনগী পোম্বীগী ৱাৎত্রবা পুক্কৈনি" হায়রিবসি করিবুনো ?

গ) কবিনা চন্দ্রনদিগী ঈচেলসি হৌজিক্তি অমম্বা সমদ্রু তমখ্রে হায়রিবা করিগীনো ?

ঘ) "ইঙাগী নোং" হায়বা শৈরেং অসি করম্বা মখলগী শৈরেংনো ?

ঙ) "মণিপুর" শৈরেংদা কবিনা অনুতাপ্পা চাক্লবা দুষ্যন্তগা চাংদম্নরিবসি কনানো ?

চ) ফিদমগী সমাজ অমগীদমক মাধবীনা করি তৌখিবগে ?

ছ) "ইম্হোকপা" ৱারীমচাদা কনানা কনাবু ইম্হোকখিবগে ?

জ) "নুঙ্গাইরক্তা চন্দ্রমুখী" হায়বা ৱারীমচাদা অহৈবীনা চন্দ্রমুখীগা করিগা চাংদম্নবগে ?

ঝ) গান্ধীগী অহিংসা বৃত্তিদা য়াওবা মচাক অহুম অদু করি করিনো ?

ঞ) তোংৱানা থম্বাল য়োল্লগা ৱানা তুংখৎচবা শেলদু করিদা মাঙখিবগে ?

## সেক্সন-C

১। সফিক্স মশক তাকপগা লোয়ননা মণিপুরী লোন্দা সফিক্সনা লৌরিবা থৌদাংশিংদু শুগায়না উৎলু। ২০

২। ময়ায়চনবা মতমগী মণিপুরী সমাজ অমদি কলচরগী য়াওল হায়বসিদা ৱারেং অমা ইয়ু। ২০

৩। *নরসিংহ* ড্রামাদা উবা ফংবা মমা লৈবাক নুংশিবগী মশক অদু নৈনদুনা উৎলু। ২০

-x-